# ৱারী মচা

## ইচেগী শম

### খুমন্থেম প্রকাশ

গৌহাটি য়ুনিভর্সিটি গৌহাটিদা লৈরিঙৈ ৱানি। মতম অসিৱাই য়ুনিভর্সিটি ক্লাসশিং অসি কটন কোলেজগী শঙশিংদা ৱায়দুনা তৌরম্মী। য়ুনিভর্সিটি ছাত্রশিংগী হোষ্টেল লৈরমদে। খুল্লক্তা মীগী য়ূম ভারা তৌরগা পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈনরম্মী। ঐহাক্তি অদুগুম্বা মফম অদু ফাওবদা সিট ফঙলমদে। উপায় লৈত্রদুনা হোটেলদা লৈবা তাখি। অসুম্না গ্রান্দ হোটেলদা চহী অমা হৌখ্রে। হোটেলদা লৈরগা লাইরিক তম্বা হায়বসি য়াম্না খূদোং চাদে, অসিগীসু মথক্তা ঐনা লৈরুরিবা হোটেল মখল অসিনসু থোইদোক্লা ঐগী লাইরিক ওৱাইবগী ৱাখলদা বৈরী ২ওইনা থোকখ্রে। "অরুবা ঈশিং নৈহনবদি অরুবা নত্তে, অমুক্তংবু নৈখ্রবদি লূহন্নবা হোৎনবদা লায়না থোক্তে।" ঐগী ৱাখলদা নত্তবা মমি তারকপা খঙনা খঙনা খঙঙম্লক্ত্রে। তরুনা তুংদুনা লৈজরম্বা পুখ্রিগী ঈশিংদো নৈরবা ঈচাওনা থুমখ্রবগুম কদায়না ঐগী ৱাখলনো? ইতোমতা লেপচবা ঙমদ্রে।

দেকানা নোংমা মখোয়দা চাক কৌদুনা চারুই। মচনশিংনা তৌরম্বা সেবা নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈতে। ঐনা খনখি–নুংঙাইরবা য়ূমদা ফজখ্রবী নুপীগী নিংথিরবা সেবা ফঙলবা নুপা অদুনা ঙম্লোইদবা করি লৈ। মখোয়দগী হল্লকপদা ঐনা দেকাদা হায়খি, "দেকা ঐদি নঙদৌনা য়ূমদা ময়াম্না সেবা তৌবিদুনা থম্বীরবদি ফার্ষ্ট ক্লাস শোয়দনা ফঙগনি।" ঐগী ৱাসি তাবদা দেকানা ফাক ফাক নোকই অদুগা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা "অওইবরা?" হায়দনা হংই। ঐনা "শেন থানসি।" মানা–" কয়া?" ঐনা "নঙনা অপাম্বা শরুক।" মায় মায় ওনশিন্নদুনা য়ুংখৎনরুরগা দেকানা হূ হন্থখিদুনা " শেন থানদ্রবসু নপূক্লিংনসু অদু য়ৌনা পাম্লবদি ঐ লৈরিদনা, নঙনা হৈনগদবা য়ূমসি" হায়রকপদা ঐনা ঙাইঙমদ্রদুনা "কৈদৌঙৈ?" মানা ঙাইখোনে তপ্না খন্নরগা থোক্কদবনি, ঐখোয়বু ঙাইহাক সিনেমা য়েংবা ফাও হোল নুংঙাইবা খল্লিবা নৎত্রাও?" ঐনা "সিটসু" হায়দুনা শমজিল্লি। দেকানা "নঙ হরিপদ নীংশিংলিবরা?" ক্লাসতা শুকউ উখিদ্রেনা?" "কোলকতাদা চৎখ্রে হায়রে, অঙাওবা জাৎনি ঐঙোন্দা ফাওবা তাক্লমদে।" "ক্লাসতি তোক্লবরা?" "হোয়নে হোয়নে, মাগী ৱাদো তোক্লসি য়ূমগী ৱাদা চখ্বরসি কাদো হৌজিক হাঙলে, হয়েং চৎলুসি।" ঐনা, "হৌজিক য়েংথোক্লুরসি ঙসিগী সিনেমা ঐগী দায়িনি।" "নঙগী পনবু পল্লুরবদি হেক্তা কূক কূক ইনশিল্লকপসিনবু!" "আই–আই, শারিঙৈদা য়ৈহৌ হায়বা পাউরৌদো চুম্বদা নত্তে য়াম্না কান্নবা জাৎনি।" "হোয়নে হোয়নে ৱা অমা প্রমানগা পান্থেগা।" "ঐনা, "হোটেলগী টেক্সি পুসিরা কয়া লাপ্পা জাৎনো?" দেকানা, "খোঙনা হেক্তা চৎলদৌনি ৱাদনা নুংঙাইবা লৈব্রা?" "নঙগী পাউরৌসি য়াম্নদি ফজবা জাৎনি, অদুদা মফম চাদ্রগদি নুপীগী মনাতোন শুমাঙদা থুংবা শমক্র তাদুনা তোক্কদ্রা হায়বনি!" "নাতোন্দা থুংগে থুংসনু মীত্তা থুংগে থুংসনু ফজবা মীনবু তৌথোরক্লবদি তমজনফম্নি।!" মতাং অসিদা ঐ মায়থিরে হায়বা য়ারদুনা মাগী মতুং ইল্লে।

সোরোনয়া পাহারগী অৱাং থংবা চীংখোঙ অদু তাননা খোঙনা লাক্লে। টেক্সি চঙবা য়াবা লম্বী নৎলমদ্রি, চান্দমারিদগী চীংখোঙ অসি তান্না খা পাংনা হাইজিল্লক্লিবা লম্বীসি নাকল অনীমক্তা লৌবুক্লি। পলটন বাজারগী লাঙখ্রবা মফম অদুদগী মসি য়ৌরকপসিদি পূক্লিং অসি ইনৌ নৌই। চীংখোঙ অসিদা তারল্লিবা য়ূম অসি পংয়াম য়ামদে। লৈরম্মীবা মীওইসু লৌমী ঙাক্লি। মরক অসিদা তারল্লিবা য়ূম অসিদা টিন্না কুপপা 'এল' মওংগী য়ূম মচা অমা চীংখোঙ পক্লা লৈরম্বসিদি মতা অমা ওইনা ফজরে। উ লৈতবা লমদা কেগেনা য়ূম্বী ওইনৈ হায়গুল্লদনা ঈনা কূপ্পা মওং নাইদবা য়ূম ময়ামগী মরক্তা তিন কূপ্পা অঙৌবা অমা য়াওরিবা অমনা ফুরা দলান নৎত্রবসু লেন ওইরে। ইংখোলগী অকোয়বদা খারিবা শম্বলদো ৱাচেৎনি। য়ূমগী অকোয়বদা থারল্লিবা লৈ মথা অদুনা য়ূম্বূ অসি ফজবা হায়বদু পাজবতা নত্তনা খঙসু খঙই হায়বা উৎলি।

দেকানা মাঙ থাদুনা প্রপ প্রপ চঙখ্রে, দারী ময়া অদুদা লেপ্তুনা "ইচে, ইচে" হায়দুনা কৌরুরে। মীহুৎথোঙগী পর্দার অদু হাইদোক্লগা লিৎথোরকপা মায়থোঙ অদু ঙসি ফাওবদা শঙ শঙ উরি, নীংশিংলুবা নাইদনা উরবা মায়থোঙনি, উখিনি। ময়েক শেংনা য়াৎলবা চিনবান্দো খজিক্তং লেঙখিগুমদা মতৌই। অদুবু ঐদি মোমোন নোকথোক্লুরে। ঐ নোক্কে খল্লুবা নত্তে, ঐ নোক্লুরমাল্লে হায়বা কোন্না খঙলকপনি। "উদবা কুইরেদা কদাইদা চৎলুই কাখৎলকউ।" দেকানা, "সিদা লাক্লিবনি" হায়দুনা কাখৎলক্লে। ঐসু মাগী মতুং ইন্দুনা প্রপ প্রপ চঙলে। মী ফম্নবা কা অদুদা মতোমতা ফম্লম্মী। দেকানা "সিং বাবুনি ঐগা তম্মিন্নবা", ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্তুনা, "ইচেনি।" ঐনা খূৎ লোন্নদুনা "নমষ্টে", মাদি খূত্তা মরোন্নে। হেক ফমথবগা "হরিপদনা লৈরম্বা কাদো মেনশিল্লসিদনা?" য়ূম্বূ অসিনা ঐঙোন্দা হাইফেৎ নোকই, ঐদি থম্মোয় য়ৌখ্রে মখোল থোক্তবদনি। "মেন্নিংঙাইবু লৈরবরা?" "লৈরদুনবু হায়রিবনি।" "সিং বাবুরনে?" হেক হায়রকপদা থম্মোয় তিং তিং চোংই। দেকানা, "ওইরেদনা!" "ঐগীসিদা হৈবু হৈনগদ্রনে?" ঐনা, "ইচেনা চানবিবা চানবিদবগী ৱাতনি।" "হৈমা আসামীয়া খঙবোইরে!" "হান্না বাংলা খরা খরা খঙজে, সিদা চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লবনিনা ৱাহৈ অমা অনীদি খঙজরে।" "কাছারদগীরা?" "ঐ মণিপুরদগীনি।"

দেকানা "সিংহ বাবুসে ঐখোয়দকাদি ইকায়রিবনি হায়দুনা ৱারী শাবদা চীন য়াম্না লূম্বনি সিদদি নুংশিৎ লীৎত্রেনা?" ঐ হাইফেৎ ইকায়রপ তৌই। ইচেনা "হৈমা ময়ূমদবু ইকায় হায়বরা।" ঐসু হরাওবোই করিবোই "হোয়নে" হায়দোক্লুরে ঐ চুম্না হরাওবতা নত্তে, লুতোন য়ৌখ্রবনি, ঙসাইনা হোটেলদগী ইপোৎ ইচৈ পুদুনা লাকচরমগদৌবু পঙখ্রেদা, অসুম্না ইশা ইতোমতা নিন্দা তৌরুরি। তাঞ্জা অসিদা নেপালি নুপামচা অমনা চা পুশিল্লকই। ঐনা চাদু তাপ ওত্তুনা লৌরগা দেকাদা অদুদগী ইচেদা লানশিল্লি। ইচেদি হাইফেত্তা নোকখি দেকাদি হৌদুনা নোকথোরক্লে। সেকেন্দ অমরোমদং ঙকচানরুরগা ঐসু ভাব ইতা তাদনা ফাক ফাক নোকই। ঐদি পূমতাউ তাউখ্রে। মথং অয়ুক্তা হোটেলদগী পোৎ–চৈ হোল্লক্তুনা ঐগী কা অদুদা ফমুং ফান্নুং শেমজিন শাজিনবা ফাওবদু খঙবা ঙমদবা মঙদু মঙাইখ্রে।

অসুম্না ইচেগীদা লৈরকপসি নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈতে, চামিন্নে, থকমিন্নে, কোয়মিন্নে। য়ূমদগীসু অরোইবা চহীনি হায়দুনা পৈশা পনখিবগা থারকপগা মান্নে। দেকানা পার্সেন্টেজগী ৱা পল্লকপদা ঐনা "বেরা লৈতে চহী অমগী এটেন্দেন্সতি কেরানিদা লুপা ৫০ পীশিল্লগা ফঙগনি" হায়দোকই।

ইচেগী তোপ তোপ্পা মত খরদি লৈ, ঐনা খক থিজিল্লুদে। মরমদি ঐগী তোঙানবা মত অমমুক লৈত্রে। ইচেগী অপাম্বদো ঐগীসু অপাম্বনি। মী কুঙবা মরক্তা কুম্মৈ য়েংলুবা য়াদে। ফনা লুনা হায়নদুনসু নোং নুংশিৎ মরক্তা য়ূমদগী মপান থোক্তে, মকোক্তা ঈশিং চোংবা য়াম্না হৈনদে। য়াওশঙ পেচকারি নুমিত্তা মাগী কাদগী মপান থোরক্তে। অতোপ্পা অমনা ইচেগী তুম্নবা কা ইরুজফমগা কোন্নবদু য়াম্না চেকশিল্লি, মী চঙহন্দে, কৈদৌঙৈদসু মীহুৎথোঙ হাংদোক্লগা তুমদে। মরম অসিমক্লা মহাক অচিকপা অইংবা মফমসি থিদুনা ময়ুম শারবনি। মাগী তোপ তোপ্পা শাজৎশিং অসিবু ঐনা মগুণনি হায়না লৌই। ইচে'সি য়াম্না হৈনা কে, মহাক্কী মশম মশেম মতম অপুন্বদা হোংদে। শক্কী ফজবদি নাতোন নম্বা মীৎ খুবা মফমদগী লাকপা ঐহাক্কী মফমদদি অমুক শন্দোক্লা হায়রুনিঙাই লৈতে, ইচেনা ফজবনা মহেল্লি।

ঐগী পূক্লিংদা পেঞ্জদবা মরম খরদি লৈ–ঐগী ফজবদো মীনা উবিদ্রবদি কান্নবা লৈতে। ঐনা কোয়থোকপদা লোয়নজরিবা ফজবীসে ময়াম্বুসু উহন্নিংই। মসি মহাক্কী ৱাখলগদি পুমওন ওন্নে, মাদি য়ারিবমখৈ মীনা উখিদনবা হোৎনৈ। মী উহন্নিংদ্রবদি মাদি করিগী কেরি, ফজরবা শক্তা লৈতেং তৌরি, অমুক্কসু শেন্নি? অয়ুক্কী চা থকমিন্নবা ফাওবা নীংথিরবা শক অদু অমুকসু শেমজিল্লগা থোরকই। অসুক কুইনা লৈমিন্নরক্লবা ফাওবসিদা নোংমতসু মহাক্কী লোয়শিন খমজিন্দবা হকচাং নীংথিনা লৈতেংদবা মায়থোঙ থেঙনরক্ত্রি। অদুদি মানা কেরিবসি মথন্তগীরা? মথন্তগী মশকপু মথন্তা য়েঙজরগা পেঞ্জবা জাৎলা? "নর্সিসস" গুম মহাকপু মশাগী শক্তম্বু নুংশিজরুরবরা? অমদি লৈ, মা ঐবুদি উহন্নিংই। ঐনা চাখোক্লমদাইদা নংহৌরোইদবা মতাগুম প্রপ প্রপ কেরগা ঐগী কাদা নৎত্রগা মাঙ্গোলদা ফম্বা তোক্তে। মহাক মতোমতা চখোক্তে। কুম্মৈ য়েঙলুদৌগুম শেম শারগা ঐবু উহনবা নোংমতা কাংদে। ঐগী খৌরাংলবা থম্মোয়না মিতাববু উরগা মহাক্কী মায়থোঙ মকা লাম্মী। অদুনদি মানা ঐবু নুংশিরে। ৱাখল অসিদনি ঐনা ঐবু কাউরিবা! অদুদা ঐনা নুংঙাইতবা অমনা মাগী তুমফম কাদা ঐবু চঙহন্নিংদবা মতৌসিনি। মৈতৈ কাঞ্চল অশংবা অমা ঐনা পীবদো খনবিবা নুমিত্তা চঙলুবা অদুদগী হেন্না মাগী কাদা খোঙ থাংজিল্লুদ্রি। ঐনা পামজরুবদনি ৱাশি হেনখিবনা মহাক্কী মখূৎ ফাওবা নোংমতা শোক্লুবা ঙমদ্রি। ঐ পাঙমন্দে খনবনা থম্মোয় লায়না ওইগদৌরে। নেংমদি খূবাক ময়ি য়েংনবা লাইরিক অমা লৈদুনা পারে। ইচেদা খূবাক ময়ি য়েংবিগে হায়দুনা মখূৎ অনীমক পায়রে। অসুম্না ইবুদ্ধিনা লৌশিং তৌদুনা মখূৎ মখৈদি পায়বা ফঙলে। ওন্থোকপনি। মখূৎ পায়বা ফঙলুবা অসিনা মৈ ওল্লম্বা শীংদা কামখৎলুবগুম থোকখ্রে, খৌরাংলবা থম্মোয়দা মৈরী থোক্লা চাকখৎলক্লে। ঐগী মীত্তা, ঐগী ৱাঙাং খূদিংদা থোরক্লিবা মৈরী অদু উর–উরগা মহাক্তি অহোইনদুম ঘী হৈজিল্লরি। করম তৌরগা মহাক্কী চেকশিল্লবা কা অসি নমথেকসিগে হায়বা ৱাখল অসিনা থম্মোয়দা নৈবা হৌরক্লে।

ওলাংথাগী খোইশাওনরবা মতমনি। চীক্লা ইংলবা চীংখোঙ অসি ফাওবা কালেনগী মৈশা ফাওরক্লে। অহিং তঙ্খায় মাঙ্গোলদা হকচিং লাংনরি। ইচেগা বহাদুরগদি (নেপালি নুপামচা) হকচিং লাংলম্লগা তুম্বা চঙনখ্রে ঐগী নুংগী মৈশাদি অহিং থেংলক থেংলক্লগা, ইচিক হুল্লক হুল্লক্লগা মৈচাক ফবা হেনগৎলক্লি। ঐগী থম্মোয় চপ য়ুংখ্রে, অফ ফত্তা ৱাখল চঙলক্ত্রে, লম্বীদা লৈবা অপনবা খিবিক ফুক্তোক্লগে নীংলে।

ফত্তবা লম্বীদি থিরুবদা ফঙদবা লৈতে। নোংমা গঞ্জাগুম্বা ময়াই কাবা মৈতৈগী হীদাক অশুবা মানবা "মোদোক" থেঙনরুরে, তোলা অমা লৈরক্লে। নুমিদাংগী চাক তোক্লগা বহাদুরদা তুম্বা নুংঙাইনবা হীদাক্লি হায়দুনা পীজরে। অহিং অসিদা বহাদুর হকচিক লাংবা য়াওদ্রে। থৌরাং অসিমদি মহৈ য়াল্লে। ইচেদি নুংতিগুম হকচিং লাংলি। অঙকপনি! অরানবা হায়বসিনা শোল্লিবসি ঙসিদি ঐহাক মহাক্কী মনাক ফাওবা নকশিন্না ফম্লুবা ঙমদ্রে। খঙলে–মায়োক্লবা লানফমদা ঐ মায়থিরে, অদুনদি হূরান–লান্নাগী লম্বীদা মঙাইরে। নেংয়াই মতুং য়ৌরক্লে, ইচেদি তুম্লুরনি হায়দুনা চঙখ্রে। "বহাদুরদো তূমখ্রমাল্লে ময়াই কাসি থোঙ খরা লোনশিনবিরম্মু" হায়রম্মী। চাক চাফম ওইনরিবা ময়াই কাসি ইফাও ফাওনৈ ইচেগী তুমফম কাদি মপান্দা থোঙ পান্দে, ময়াই কা অদোমদা থোকই। বহাদুরনা থোঙ লোন–খোৎপা লোয়রগা ঐগী কারোমদা থোক্লে। ইচে চঙখিবা ফনা কুইখ্রে, ঐহাক্তি উংজা পুরি। খল্লেমখৈ খল্লুরগা খনফম থোক্তদুনা হৌগৎলে, ময়াই কাগী থোঙজাও পৌরোন থাজিল্লে। ঐগী কারোমদা চঙলিবোই নীংই। অদুবু ঐদি মপানলোমদা হাইবা মনুংলোমদগী লোল্লবা থোঙ অদুদা নম্মুরে, "ক্রোক" লাউবা মখোল অমনা ব্রজ তাবগুম খেকথখ্রে, লৱাই শম চপ চপ য়ুংই। কপ্লাক থক থক নীকই, ফক্লাংদা নপশিন্দুনা ইচে হৌগৎলকপ্রা হায়দুনা তায়, হৌগৎলক্তে। তপ্না থোঙ অদু মারুববু হাইদোরক্লে, কপ্লাক্তি নীক্লি অদুবু খোঙদি তপ্না তপ্না থাংজিনখ্রে, ফম্মুং ময়াদা টেবলদা পীক্লা লৈথদুনা থল্লিবা টেবল লেম্প অদুগী মনা পায়রুরে। লৈথগদ্রা? লৈখৎকদ্রা? করিগুম্বা অমম্বদা খঙদুনা লাউরকপা থোক্লবদি ৱাথোক ওইনরনি, অঙানবদা মনা উরক্লবসু ইকায়বনা হানখ্রগনি, য়ূমসিদা অমুক পন্থবা ঙম্লরোই, অদুবু মতম চঙনা লৈখোঙ শোমজরিবা লৈপাল অদুনা লৈশাৎ তম্লবদা চিনজবা ফঙদ্রবদি ঐগী করি অমুক কান্নরি? মুৎলমদাই মৈরীনা খংঙান ঙাল্লম্বগুম অরোইবা পাঙ্গল ফাওরক্লে, মীৎকুপ অমগী মনুংদা কা অসি পূমঙান ঙানখ্রে। তপ্না তপ্না কাঞ্চল মপান্দুনা শত্তোক্লে। থিঙ্গৎলম্বা স্বর ফুইনা হোল্লক্লে, থজিনদা হুল্লিবা মীহুল শুকখোলগুম হৌরক্লে, নীক্লবা খূৎ অদুনা কাঞ্চল খজিক খজিক হাইদোক্তুনা মমায় মপাদু হেক য়ৌরুবদা কোকচাউবী ফুং কাখ্রে! খূত্তগী কাঞ্চল নাম্থোকখিবা খঙহৌদে। হন্থরকপদা কাঞ্চল মপান্দা লেপ্তুনা লৈরম্লে। উরুবদু থাজদ্রদুনা অমুক খূৎ অনীনা কাঞ্চল মমায়দু নাম্মা নাম্মা পায়দুনা পূমহাই হাইদোক্লে–চুম্লে উতুপ তাবগুম তুমখুল হুলিবসি ইচেনি, মহাক্কী হৈনা শেল্লবা শম অদু মোন নাকলদা চেকশিন্না পুল্লপ থল্লি, মহাক্কী মশম মনা অমত্তা পান্দ্রবা কোক অদুনা মৈঙালদা লংলবা তুম্বাগুম মোন মথক্তা তারি, খঙহৌদনা ঐগী থম্মোয়দা নৈরম্বা নোংলৈ নুংশিৎ নেমখ্রে, ঐগী ৱাখল অতোপ্পা সংসার অমদা তাউখ্রে। মাঙদা লোংনা তারিবা শরূ মপুন অদু উরগা মীৎলুদগী খাম্বা নংহৌদ্রবা পি মতুম অনীদং লৈমায়দা কেনখি।

# তাবুনুংদগী

*খোঙ্গং খূৎকংথা য়ৌরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈগী মশান্না শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌরক্লে। ইরোইননা মৈতৈগী নাংকা থানবা য়াদ্রবা শগোলসু নীংশিংবা হৌরক্লে। মৈতৈগী অরিবা ৱারী লাইরিকশিংগী মতুং ইন্না মীওইবগা শগোলগা মালেম লৈশেমঙৈদগী লোয়নরক্লে হায়রি হীরম অসিগী মতাংদা ''ঔগ্রী'' কৌবা অরিবা লাইরিক অমদা ইরম্বা ৱারোল ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

অশিবনা লৈশেল্লবদা অতিয়া শিদবনা অপানবা নঙ মী শেম্মো লৈবাকসু নঙগী ওইরো হায়রবদা লৈনুং চখা খোঙজোম্বীগা লাইয়িংথৈ কোংলৌতোন লৌথিবগা (অপানবগা) ৱা তান্নদুনা পুনুং হৱাই থাঙপাক থারে। শামরিংবনা অৱাং মাইকৈ ঙাকএ, চকমরিংবনা নোংপোক ঙাকএ, মুংমরিংবনা মখা মায়গৈ ঙাক্লে, লৈশা তাউনা নোংচুপ ঙাক্লে। মসিদা লৈশেম নোংশেম্বা লাই অশিবনা মপুক্তা য়ামনা কল্লক কঞ্জাওরদুনা মহাক্কী খুয়াদগী উফুল লৌদুনা শামতোন অয়াংবা (শগোল) শারে। কোংলৌতোন লৌথিবনা থারিবা হৱাই থাংপাক অদুবু নেৎখাইনবা শামতোন অয়াংববু থারক্লে। শামতোন অয়াংবনা হৱাই মরী নেখৎলে। কেংলৌতোন্না য়াম্না শাওরে অমসুং মপুক্তা কঞ্জাওরে। মহাক্লা শগোল অদু ফানবা লৈকপকী লাং থাক্লে। থাক্লিবা লাং অদুদা শগোল অদু থুরে। শামতোন অয়াংবদু লাংদা থুরিঙৈদা কোংলৌতোন লৌথিবনা হাওমুক্লা লেংফাই চন মোংবা তাজিন খুরৌ য়েৎনরে (মুক্লা শান্নবগী লোংখ্রৌ য়েৎনরে)। কোংলৌতোন লৌথিবগা শামতোন অয়াংবগা অনীদু ঙম্নদ্রে। তাল্লক অদুদা লাইরেম্মা চখা খোঙচোন্নুনা কোংলৌতোন লৌথিবগী মতেং পাংদুনা শামতোন অয়াংবগী কোকথেৎ শত্তোক্লে, মকোই মরাং, মতু –মমেন ফোয়রে। মশা কক্লে। অসুম তৌনা কোংলৌতোন লৌথিবনা শামতোন অয়াংবা ফাখি। শামতোন অয়াংবনা নেখৎলম্বা অদুনা লৈচিন অমদি উন ওইখি।

# মণিপুরী পাখংলৈ–পাউরৌ, পাউতাক

* **খঙনা খঙনা থী নেৎপা**
  – ফত্তে খঙনা তৌবা থবক।
* **খঙদবা মীবু খঙনবা তাকপীয়ু**
  – অপংবা খঙজদবা মীবু খঙনবা তাকপীয়ু।
* **খঙদবনা পকৌরাগী পানফম হংই।**
  – অমুক্তা চাজদ্রিবা খঙজদবা পোৎ অহানবা ওইনা থেঙনবা, অপঙবা অচম্বা মী।
* **খঙদা উদবা পুম্বনা মপুগী থৌশিল ওই।**
  – মপুগী নোংদম কনানা লোয়না খঙগনি।
* **খঙহন্নিংদবনা হেন্না খঙই।**
  – লোন্না তুমিন্না মী খঙদনবা তৌবা থবক হায়বসিমক্তবু হেঞ্জিন্না খঙনিংবা পোকই, মসি মীওইবগী হৌনশানি।
* **খচ্চরগা গধাগা পাখ্রবদি লোয়রে।**
  – অপঙবগা অখৎপগা পুনখ্রবদি থবক ফবা হৌনদ্রে।
* **খদাং মখা থাবা।**
  – মীগী ঙাঙফম ওইবা।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

# চানক্য নিতি

– খুজিন থৌবশিংদা, তুরেন্দা, মচী পানবশিংদা, খূৎলাই পায়বশিংদা, নুপীশিংদা অমসুং নিংথৌ মচাশিংদা থাজবা তৌগনু।

– হুদা য়াওবা অমৃতবু লৌগনি, অমোৎপদগীসু সনাবুদি খুনগৎকনি, অতোনবা জাতি ওইরবসু জ্ঞানী ওইরবদি ইকাইখূম্নগনি, মগুণ লৈবা নুপীবুদি ফত্তবা শাগেদগী ওইরবসু লৌগনি।

– নুপাদগী নুপীনা শরুক অনী হেন্না চায়, নুপাদগী মখোয়না শরুক মরি হেন্না শিংই, মখোয়না শরুক তরুক হেন্না থৌনা লৈ অদুগা ইন্দ্রিগী শাফ্ কনবদদি নুপীদগী শরুক নিপানা হেল্লি।

– অরানবা তৌবা, অয়াকপা মতৌ, লৌনম্বা, পঙবা, হেন্না কল্লক কঞ্জাউবা, শেংদবা, থম্মোয় কনবা হায়রিবশিংসি নুপীদা য়াওবা শাগোন্নরক্লবা দোষশিংনি।

– চানীংবগা চানবা পোৎকা, লেমজনীংঙাই ওইবী নুপীগা মাবু লোয়নবা ঙম্বা শক্তিগা, লম্ভুমগা দান তৌনিংবগা পূন্না লৈবা হায়বসি খজিক্তং হোৎনরকপগী মহৈ নত্তে।

– হায়বা ইনবা মচা লৈবা, মাগী অপাম্বদা তুং ইনবী নুপী, মাগী লৈজবদুদা পেন্থোকপা নুপাদি সংসারসিমক স্বর্গ ওইরবনি।

– মপা নীংবদুবু মচা কৌই, য়োকপিরিবা, পীজ–পীথক্লিবা অদুগা শেমগৎপিরিবদু মপা কৌই, থাজবা য়াবদুবু মরুপ কৌই অদুগা শান্তি পীবী অমসুং পেন্থোকহৈবীবু নুপী (মতু) কৌই।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

# মণিপুরী পাউখোং

**ঙসিগী পাউখোং ঃ**

২৫২। লম্লক্কী উচেক্তিং ওইবা লম্লক্কী উচেকশিংগদি য়েংথিনবা করি উচেক্লো?

২৫৩। মথক্তা মরা পানবা করিনো?

২৫৪। মনাদি নত্তবা মনা হায়রগদি খঙনবা করিনো?

২৫৫। মতাউনা তৌবমখৈ তৌবা মতাউনা তৌদবমখৈ তৌদবা করিনো?

২৫৬। নুপা অমগী ইংখোলদা য়ূমদা য়ূম্লোন্নবগী য়েনবীনা চঙলক্লগা মরুম কোকশিল্লম্মী। য়ূম্মুগা য়েনবুগা য়েরুমদু মুন্নবদা খন্নরম্মী। য়েরুমদু কনানা লৌগদগে?

**মমাঙ নোংমাইজিং (০৩–১১–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ**

*২৪৮) লিক্লা পক্তবা লৈ থিগনি, ২৪৯) নুপীগী চাদর ফি, ২৫০) লৈবাক্লে, ২৫১) যণ অমসুং ইরোই।*

# চয়োলসিগী ফাগী

**পারা তমবীবা!!**

ইম্ফালদা লৈবা ফার্মাসি অমগী হিদাক য়োল্লিবা নুপা অমখক শক তাখৎপগীদমক মীয়াম্না খঙনৈ। ওখাক তাখৎলি হায়নৈ। মদুদা নোংমদি, মী কয়া উশিত্তবা, খরা ঙাওশিন্নবা নহা অমনা থওইনমক্কী লক্লরগে হায়দুনাঃ

**নহা** – তামো শক তাখৎপৈ গুলিকা য়াওবিব্রা লুপা কুনদৈ পীয়ুবা?

**হিদাক য়োনবা** – (ইচম চম্না) দুম্বদুদি য়াওদেনে ইঙো।

নহা – (য়াম্না ইং–তপ্না) অদো তামোনা চাবীরিসিনা কায়দা ফংবীবা ওইরবনো?

**মীৎনা উবা অনকপা!!**

**ওজা** – মোমো নঙ হায়য়ু, থাগা জপানগা কনানা লাপ্পী?

**মোমো** –(হায়ফেৎ খল্লগা)জপাননা লাপ্পী।

**ওজা** – (ইঙক–ঙক্লর) কমহাই লাপ্লিবা?

**মোমো** – ওজা, থাদি নুমিদাংদা হেক–হেক উই, জপানদি অমুক্তসু উদে।

**অচুম্বা ঙাংবা!!**

ময়ূমদসু মতু–মচা লৈরবা নুপা অমনা, পাখঙ শাদুনা কোইরুবা লৈশাবী অমা চেল্লবনি হায়দুনা চেল্লক্লকান্দা, মাগী অশেংবা ফীভমদু লৈশাবীদুনা খঙলকই মদুদা ঃ

**লৈশাবী** – (হিক–হিক কপ্না অমসুং শাউনা) লুহোংদ্রি লুহোংদ্রি হায়রগা...

**নুপা** – অশেংবনে নচেসিদি কৈন্যা কৎখিবতনে।

পুঙ্কক চাউরবী মেমচানা চাক থোংবা লোয়রগা থিদোক্তুনা মপা–মমা মৌপ্বাখোয়গী পুখম থাঙদোক্লগা ময়াম চানরকান্দা মহাক্তি চাদনা অসুম লৈবদুদা–

**মমা**– ইবেম্মা কৈদৌরে নহাকসু চারসি লাকওদনা?

**মেমচা** – ইমা ঐগী লোক থুংইসে চরা অমতং হেল্লু হায়না ইবোক্লা হায় চাররোই।

(ৱাসি হেক তাবদা চাক হুক্লে তৌরম্বা মৌপ্বাদু ফুক হৌগৎলগা 'ওক–ওক' তৌদুনা মপানলোমদা চেন্থোকখি, অদুগা হঞ্জিল্লক্তুনা হায়রৈ)

**মৌপ্ব** – ইমা ইমা চেচেসে লোক থুংবগী মনপ য়াম্না চোবনি।

**খুদম–চাংদম!!**

য়ু লৈবা – ইতৈমা, পোৎ (য়ু) লৈরিব্রা খরা লৌখিগে?

য়ুয়োনবী – অঃ লৈ কয়াম পুদোইনো?

য়ু লৈবা – খঙদেনে! ময়াকপু কমদৌগে, খরা কল্লগদি অমত্তংনা য়ানি, খরা চম্লগদি অনী (লিক্লি) পীয়ু?

য়ুয়োনবী – অস! ময়াক্কী ৱাদি হায়–কান্নদে, ঙসাই মমাঙ লৈকাইগী মপা–মচা থাঙনা য়ান্নে হায়দো, ঐগীসিদগী গ্লাস অনীখক্লা য়ান্নখ্রিনি।

**য়ু ঙাওগন্দবা!!**

মশানা য়ু শুকঙাও ঙাওবিদে খঞ্জবা য়ু থকপা নুপা অমা হাউখুন্দগী তপ–তাই থক্লগা হাইদোক্লক্তুনা ময়ূম মায়কৈ তম্না, ময়াই লম্বীদা মখা পাঙনা হাইরং–তুরং সাইকল থৌরকই। মরক্তুদা খঙহৌদনা অঙাং নুপামচা অমা সড়ক ময়াইদা তাবা বল খুন্নবা চেন্থোরকই। অঙাংদু সাইকলনা তক্কদবা খজিক্তা ঙাইবনি, অদুবু নুপাদুনা খুদক্তা লৈথোকহৌদুনা তকহৌদ্রে, তৌবদবু শেন্নজহৌবা ঙমদবা নম্বুল তুরেল মখা তম্না পাইথখি। মদু উহৌবা নহারোল খরনা মহাকপু লৌখৎপীনবা চেনশিন্নরকই। মদুদা য়ু ঙাওবদুনা (য়ু ঙাওবগী ফুবীরদৌবোই নিংদুনা) – "ইনাওশা সাইদ ফাওবদি ইয়াম্বনা চুম্বনিকো!"

# শৈরেং

## ইরৈপাক

*–মাইস্নাম বীসেশ্বর*

খোইয়ুম অথোইবনা শেল্লকপা কংলৈপাক
ইমা লৈপাক নীংথিবী হৌজিক্তি কৈদৌরুনি
বৃটিশ লৌনম্লাংদগী নাম্থোকপা ঙমজদে
ইনিং ইখা তম্মীদা মহায়বা
চপ চাবা মহাউদি ফঙদবা
অঙৌবা সাহেবপু ইরৈপাক্লা ঙমখিব্রা?

পরিং নাইনা লাকপনা
কবো লমজাও মাঙখিবা
ইনিংথৌ গম্ভীরসিংহ
পূন্সি পীরাং খমখিবা
কনাগী মরাল ওইগদৌরিবনো?

খেবা চীংগী তম্পাক্তা
পাথৌ কয়া য়াতাখিবা
তেঙ্গোল ফম্পাক থক্তা
ঈখেংলক্তা শয়েং পাম্বোম ঙানখিবা
ইমা নহাকথক্কীনিনে
খোঙমন (ফাঁসি) শগাই কাখিবা।

কনাগীদমক নত্তেনে ইমা
ইন্দিয়াগী ফিবান্দা চঙখিবা
মীয়াম মীহুৎনা লৈঙাকচরবা ফাওবা
মীরৈহৎ মীথিঙ্গাই কয়াদগী
খাইবুং খাইবুং তাদনবা
নচা অমত্তদি পুথোকপীয়ু
লৌশিংগী মৈরা ঙালহনবিয়ু মতম চুপ্পা।

## লাই অমসুং চাক্লিবা

*রাজেশ্বরী য়েংখোম*

চাক্লিবনা লায়রবদা নিঁরে
চেঙ খূয়া অমত্তং পীবিয়ু।

লাইরবনা লাইদা নিঁজে
চরা অনী শোয়হনবিনু।

থবক মচা তৌবনা লাইদা নিঁরে
ফমজাও ফম্নাইবা কাহনবিয়ু।

ফমজাও ফম্নাইবা লাইদা নিঁরে
লনগৈ মপু ওইহনবিয়ু।

লনগী মপুনা লাইদা নিঁরে
শক্তি নাইজগে মন্ত্রী ওইহনবিয়ু।

মন্ত্রী ওইগদৌবনা চাক্লিবদা নিঁরে
ভোট অমত্তং পীনবিয়ু।
চাক্লিবা নোকফেৎ তৌই।

## খঙজরে সার

*– ইরোম মোবী*

সারনা ওর্দর থোকপা নুমিত্তগী
গারী থৌবদা বেল্ট ফাজরে
সারদি নোংমতা বেল্ট ফাদে
করিগীনো?
ওর্দর থোকপা মীনা
করিগী বেল্ট ফাগনি
মশানা মশাদা ওর্দর তৌনব্রা?
খঙজরে সার।

## ঙাকপিয়ু অমুক্তদি

*– তোংব্রম শামুঙৌ*

কোয়তান তান্নৈ মহাক্লা
কোয়চেন চেল্লি ঐনা
মহাক মকোক ঙাওখি
ঐগী মায়কৈ খঙখিদে।

উখি অমুক মহাক্লা
মায়কৈ তম্না লাকখি
মহাক্লা করি পাল্লিবা
ঐনদি খঙই মরম।

মহাক্লা ঐবু তান্নরিবা
নত্তে শক্তিনা মাগী
ঐবুসু কি মহাক্লা
খূৎনেক ওইনা লাকপনি।

কোয়য়েং য়েংলম্মী অমুক
মায়কৈ খূদিং ঐবু
মমল কয়া লৌরুবা
ঙম্লোইদবদা মহাক্লসু।

মায়োক্লে মাগা ঐগী
হংই ঐনা মঙোন্দা
খঙলবরা ঐ মশক
লুকথখি মমায় লৈখাদা।

অমুকসু হংই মঙোন্দা
করিগী তান্নরকপনো ঐ
লৈথোকখি মমায় ঐঙোন্দগী
হায়রকই, ঙাকপিয়ু অমুক্তদি।